# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-03-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৬-০৩-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মনিপুর বিধান সভাগী ৬ নি চনবা নুমিৎতা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ৭ খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুন্স্বগী থবক চথবদা লালহৌবা অমা য়াওনা হুরানচিন্থিদা চেন্নবা মীওই অমসু ফাগৎখ্রে।

**অমসুং**

৩) সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-অৰাংবা থাক্কী বিগ্যানগী পোৎলমশিংনা লৈবাক অমগী নেসনেল সেক্যুরিতিদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

----

**এসেমব্লি (এল)ঃ** মনিপুর বিধান সভাগী ৬ নি চনবা নুমিৎতা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ৭ খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

দিমান্দশিং অদুদি- ইনফোর্মেসন অমসুং পব্লিসিতি, মেদিকেল হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসেস, কঞ্জুমর এফিয়র্স ফুদ এন্দ পব্লিক দিস্ত্রিব্যুসন, এদমিনিষ্ট্রেসন ওফ জস্তিস, সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্ট, টুরিজম অমসুং সাইন্স এন্দ টেকোলোজি নি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংগী চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি-হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা শওম্বুং খুঞ্জাওদগী প্রিপাককী মীওই অমা ফাখি। মখা তানা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লাইফম খুনৌ ময়াই লৈকাইদগী খুৎলাইগা কোন্ননা মীওই অমা ফাগৎখি। মঙোন্দগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল ১, মেগজিন ২, নোংমৈ মরু ১০, মোবাইল ফোন অমসুং আধার কার্দনচিংবশিং ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ঙরাং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতগী ওপিয়ম কিলোগ্রাম ১ খরা হেনবগা কোন্ননা মীওই অমসু ফাগৎখি। নুমিৎ অসিমক্তদা মোরেগী য়ুকো বেঙ্ককী বিল্ডিংদগী পোৎচৈ কয়া হুরানগে তৌরম্বা মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপা ঙমখি।

**কনফরেন্স (এল)ঃ** হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেসকী লমদা খুমাং য়াংশিল্লকপগী মতাংদা মালেমগী ওইবা মীফম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। মীফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেস, রাজ্যগী দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, আই.এন.এ ৱার ম্যুজিয়ম কম লাইব্রেরি মোইরাং, আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ, ইন্দিরা গান্ধি রাষ্ট্রিয়া মানব সংগ্রালায়া,

ভোপালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওলোরোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি । জিলাশিং অদুদি- তমেংলোং, সেনাপতি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, হম্ফাল ইষ্ট, নোনে অমসুং বিষ্ণুপুর জিলানি। অতৈ জিলা খরদনা লাক্লিবা নুমিৎ নুমিৎ মঙানি অসিদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মীয়ামা তেক্লক তুরকপা য়াবা উ-ৱানচিংবগী মখাদা লৈতনবা, দরকার লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌদনবা অমদি সরকারনা থোকপা এদভাইজরিশিং মপৃং ফানা ঙাকা চৎনবসু জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনরনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা খঙহলক্লি।

**জিতেন্দ্রঃ** সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-হৌজিক্কী মতমদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা লানগী লাল্লোং য়াৎপা মতমদা বিগ্যানগী ওইবা হৈথোই শিংথোইবা কয়া ময়েক শেংনা উবা ফংলে। অৱাংবা থাক্কী বিগ্যানগী পোৎলমশিংনা লৈবাক অমগী নেসনেল সেক্যুরিতিদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অলটরনেট মেদিয়া কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-স্পেস, নিউক্লিয়র ইনর্জি, আরটিফিসিয়েল ইন্তেল্লিজেন্স অমসুং খুমাং চাউশিল্লবা বিগ্যানগী থিজিন হুমজিনবা কয়ানা লৈবাক অসিগী ঙাকশেল অমসুং অপুনবগী ওইবা চাউখৎ থৌরাং কয়াদা মরুওইবা থৌদাং লৌগনি। মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগী স্পেস স্তার্ট অপ ইকোসিস্তেম অসি হেন্না পাক চাউথোরক্লি অমসুং লাক্কদৌরিবা চহী খরা অসিদা স্পেস ইকোনোমিদা অচৌবা অহোংবা পুরকপা ঙম্লগনি। মহাকা মখা তানা রিসর্চ অমসুং ইন্নোভেসনগী লমদা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিং মরুওইবা নুপীমচাশিংদা কান্নবা

কয়া পীরিবা বিগ্যান জ্যোতিনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াগী মতাংদসু ৱা ঙাংখি।

**বিরলাঃ** লোক সভা অধক্ষ্যা ওম বিরলানা লাৱর হাউসকী দলগী মকোক থোংবশিংদা গনতন্ত্রগী চৎন-কাংলোন অমসুং ইকাই খুমবা ঙাকা চৎনবগী চপ চাবা মতম ওইরে হায়না অইবা চেরোল পীদুনা খঙহনখ্রে।

চেরোল অদুদা অধক্ষ্যা ওম বিরলানা বেনর, প্লে কার্দ অমসুং পোষ্টরশিং শিজিন্নবা লোয়ননা সভাদা এম.পি খরনা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবগী মতাংদা অকনবা ৱাফম থমখি। চেরোল অদুনা হায়-হায়রিবশিং অসিগী মতাংদা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে। দল খুদিংমক্কী মকোক থোংবশিং অমসুং সভাদা পুল্লিবা ইকাই খুমরবা মীওইশিংনা সভাগী মীহুৎশিংগী মরক্তা থকসি খাসি অমসুং নিতি নিয়ম ঙাকা চৎনবসু খঙহনখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়-ভারতকী স্পোর্টস ইকোনোমিদা অনৌবা পাঙ্গল শক্তি হাপবগীদমক লৈবাক মীয়াম অমসুং লন্নাইগী মরক্তা অখন্নবা মরি থম্বা তঙাইফদে। মহাকা হায়-সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী নহাশিং অমসুং শান্নরোইশিংবু মখল কয়াগী খুদোংচাবা ফংহন্দুনা নহাশিংদা শান্নখোৎনবগী ৱাখল্লোন মমি তাহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনরি। ৱাফম অসি নিউ দেল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অদিত্যা বিরলা মেমোরিয়েল পোলো কপগী ফাইনেল মেটচকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবনি। মহাকা হায়-খেল্লো ইন্দিয়া অমসুং তাগের্ট ওলেম্পিক পোদিয়ম স্কিমনচিংবা সরকারনা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং কয়ানা স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর মপাঙ্গল কনখৎহনবতা নত্তনা লমদম অসিগী শান্নরোইশিংদা অনৌবা ফিদা অমা পীবা ঙম্লে। মহাকা মখা তানা হায়-নেসনেল স্পোর্টস গভর্ণনেন্স এক্ট অমসুং খেল্লো ভারত পোলিসিনচিংবশিং অসিনা

হৈথোই শিংথোইরবা শান্নরোই কয়াদা খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লগনি।

**রোডঃ** কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা লৈবাক মীয়াম মরুওইবা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা গারি থৌবা মতমদা ট্রাফিক্কী নিয়ম ঙাকা অমসুং স্পিদ কন্ট্রোল তৌদুনা থৌনবা খঙহল্লক্লি। মহাকা হায়-লন্বীগী নিতি নিয়ম ঙাকা চৎপনা মীওইবগী পুন্সি কনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মহারাস্ত্রগী নাগপুরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা রোড সেফতি কেম্পেইন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মন্ত্রিনা হায়-গারিগী স্পিদ অমসুং ট্রাফিক লাইটকী নিয়ম মতিক চানা ঙাক্তবনা লন্বীগী খুদোংথিবা কয়া লেপ্তুনা থোরকপগী অচৌবা মরম অমনি। মহাকা হায়-অখন্নবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না হেলমেট উপ্তুনা গারি থৌবনা চহী অমদা মীওই লিশিং ৫০ রোমগী পুন্সি মাংহনখি। মন্ত্রিনা মখা তানা লন্বীগী নিয়ম ঙাকা গারি থৌদুনা মীওইবগী পুন্সি কন্ননবা পুন্না হোৎনমিন্ননবসু মীয়ামদা আপিল তৌখি।

**ইসিআই ঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অসাম, কেরলম, পুদুচেরি অমসুং তামিলনাদুগী মীখল তাঙ্কক অমদা পাঙথোক্কনি অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগীনা তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

নিউ দেল্লিদা ঙরাং মীখলগী মতম লাউথোক্লদুনা চীফ ইলেক্সন কম্মিসনার গ্যানেশ কুমারনা হায়- অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী মীখলগী ভোৎ এপ্রিল ৯ দা থাদনগনি। তামিলনাদুগীনা এপ্রিল ২৩ দা, নোংচুপ বেঙ্গলগীনা এপ্রিল ২৩ অমসুং ২৯ দা ভোৎ থাদনগনি। অহানবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ১৫২ দা মীখল পাঙথোক্কনি অমসুং অনিশুবা তাঙ্কক্তনা বিধান সভা কেন্দ্র ১৪২ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখলগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীগনি। অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরিগী বিধান সভা মীখলগী নোতিফিকেসন ঙসি লাউথোক্কনি। তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী নোতিফিকেসননা থা অসিগী

৩০ দা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী নোতিফিকেসননা মথং থাগী ২ দা থোক্কনি। শ্রী কুমারনা হায়- মীখলগী মতম লাউথোকখিবগা লোয়ননা রাজ্যশিং অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টসু খুদক্তগী চৎনবা হৌরে। মহাকা হায়-মীখল অসিদা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৮২৪ দা মীওই কোতি ১৭ হেনবনা ভোৎ থাদনগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্য অসিদা অখাক অরাউগা লোয়ননা লেন্দ য়াওনা চুখিবা নোংনা চাউনা অমাং অতা থোকহনখিবা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হীরম অসিগী মতাংদা তেংবাংগী থবক পায়খৎনবা খঙহনখিবগী পাউশিং ঙসি ফোঙনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফম পাউচেদা- অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং লেননা চাউনা অমাং অতা থোক্লে, চিফ মিনিষ্টরনা গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিংগা লোয়ননা- নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসন, সনালৈবাক, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অসাম, ৱেষ্ট বেঙ্গল, কেরলা, তামিলনাদু অমসুং পুদুচেরিগী মীখলগী মতম লাউথোকখ্রে, মে ৪ দা ভোৎ মশিং থিগনি হায়বা পাউ- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেলদসু অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

অসাম সরকারনা কুকি অমদি মার ফুরুপকী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপ ৪ গা শান্তিগী ৱারোল সহী তৌনখ্রে হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা- লৈঙাকা অরানবা তৌবগী কেসশিং থেংননবা শেল তিংনা মপানদগী মী নেক্লব্রা, কেস থেংনবদা চৎখিবা পৈশা মচাশিং পীবীনবা আর.টি.আই থাখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সি.এ.জি রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সোলিদ ৱেষ্টকীদমক কয়ারক লাউরগসু গভর্ণমমেন্টনা থৌশাদনা অদুমক লাক্লি হায়বা পাউ- পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সেন্সসগী মতাংদা লুচিংবশিংগী ৱাখল্লোন লৌবগী কেম্পেইন হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

কোইরেংগৈ এয়রফিল্ড অসি হেরিতেজ সাইট ওইনা থমবা মীয়ামা কোইরেংগৈগী লম্বী পরিংদা খোঙচৎ চত্তুনা ৱাকৎ মীফম চখ্রে
খ্র হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

রাজ্য অসিদা লেন অমসুং নোংলৈ নুংশিৎনা চাউনা অমাং অতা থোকখিবগা মরি লৈননা মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা খঙহনখিবা অমসুং উখ্রুল জিলাদা লৈবা কুকিগী খুঞ্জাশিং কাংপোকপীগী মফমশিংদা হোংদোকবা কুকিগী লুপশিংনা তকশিল্লক্লিবা দিমান্দশিং লিয়াংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ-

গানফিউ মেলগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

কুকি লপশিংনা ইম্ফাল উখ্রুল নেসনেল হায়ৱেদা অথিংবা থমখিববু তাঙ্খুল নাগালোংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগী পাউ- তামেংলোং তাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিগী মরামদা ত্রক অমা অমাং অতা থোকহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই সেনাপতি পুলিসনা ফাগৎলে হায়বা পাউ- হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--- পাউ লোইজরে ---**